# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, JULY 05, 2019 **PAGE 7**




*জর্মনিগী ক্লব এনত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টতা শান্নরম্বদগী স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদতা শান্ননবা নৌনা সাইন তৌখ্রবা লুকা জোভিস*

*ইন্দিয়াগা শান্নগদবা ৱার্ল্ড কপকী মেটচতা পাম্লোম শোকপদগী শান্নবা ঙম্রোইদবা সাউথ অফ্রিকাগী মমিং লৈরবা ফাষ্ট বোল্লর দেল ষ্টেন*



## আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা শ্রী লঙ্কানা আফগানিষ্টানবু দি এল এস মেথদতা রন ৩৪ দা থোইখ্রে



*কার্দিফ, জুন ০৪(এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙসি কার্দিফতা শান্নখিবা ৭শুবা মেটচতা নোংনা মরক থৎখিবদগী শ্রী লঙ্কানা আফগানিষ্টানবু দি এল এস মেথদতা রন ৩৪ দা থোইখ্রে।

৭শুবা মেটচ অসিগী টোস আফগানিষ্টাননা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না খনখি। শ্রী লঙ্কানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা নোংনা মরম ওইরগা মখোয়গী ইন্নিংস অদু ৩৭শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা লোইশিনখি।

শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংস হৌরকপদা য়াম্না ফজখি। অহানবা ৱিকেট পার্টনর্শিপ্তা রন ৯২ লৌবা ঙমখি। ওপনর অমদি টিম অসিগী কেপ্টেন দিমুথ করুনারতনে বোল ৪৫ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩০ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৩শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা লাহিরু থিরিমানেনা ফিভম ফজনা লৈরিবা অতোপ্পা ওপনর কুসাল পেরৈরাগা পার্টনর ওইনা টিমগী অপুনবা রন ১০০ লাম্থোকহনখি।

লাহিরু থিরিমানেসু বোল ৩৪ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ২৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মতম অসিদা শ্রী লঙ্কাগী অপুনবা রন ১৪৪ দা ৱিকেট ২ তুখি।

টিম অসিগী মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেন ৪ রন নীং থিনা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি।

নোনা মরক থৎখিবা মেটচ অসিদা ওপনর কুসাল পেরৈরানা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৮১ দা ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৭৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

দি এল এস মেথদগী মতুং ইন্না মেটচ অদু মায় পাক্কবা আফগানিষ্টাননা ওভর ৪১ দা রন ১৮৭ লৌবগী টার্গেট থমখি।

আফগানিষ্টানগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম ফজখিদে। অপুনবা স্কোর ৫০ শুদ্রিঙৈদা মখোয়াগী বেটসমেন ৩ আওট ওইখি। ওপনর মোহমদ সাহাজাদ রন ৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর জাজাইসু রন ৩০ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

কেপ্টেন গুলবাদিন নেবকী রন ২৩ অমদি ৭শুবা বেটসমেন নাজিবুল্লা জাদ্রানগী রন ৪৩ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। আফগানিষ্টানগী বেট্টিং অদু ৩৩শুবা ওভরদা ৱিকেট ১০মক আওট ওইরগা লোইশিনখি।

## চহী ৩৬কী মতুংদা বৃটেনগী কোন্টানা ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌবী অহানবা শান্নরোই ওইখ্রে



*পেরিস, জুন ০৪(এজেন্সি)ঃ*

বৃটেনগী শান্নরোই জোহানা কোন্টানা চহী ৩৬ কী মতুংদা ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বী অহানবা শান্নরোই ওইখ্রে।

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিসকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা বৃটেনগী জোহানা কোন্টানা য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা কুমজা ১৯৮৩ গী মতুংদা বৃটিশ নুপী শান্নরোই অমনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বী ওইখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ২৬শুবা সিদেদ জোহানা কোন্টানা ৭শুবা সিদেদ য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোখরবা য়ুএসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা য়াম্না কন্না হোৎনরকখ্রবসু বৃটেনগী জোহান কোন্টানা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা অমুক ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নকিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১০শুবা সিদেদ রুশিয়াগী কারেন খাচানোভনা ৮শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোবু ৭–৫, ৩–৬, ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ পেয়র হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমদি ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা ৫শুবা সিদেদ পেয়র ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা স্তোসুর অমদি চাইনাগী ঝাং স্বাইবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৩–৬, ৬–১, ৭–৬(৭–৩) দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৫শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী ফ্লিপকেন্স অমদি স্বিদেনগী জোহান্না লারসননা ৭শুবা সিদেদ পেয়র য়ু এসকী নিকোল মেলিচর অমদি জেক রিপব্লিক্কী ক্বেটা পেস্কেবু ৩–৬, ৭–৬(৭–৪), ৬–১ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপী টেন্নিস শান্নরোই অনকিতা রাইনা ইংলেন্দগী সিটি সুরবিটোনদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এস দোলর ১০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আই টি এফ টুর্নামেন্টতা মেন ড্রো য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফায়িং রাউন্দগী অনীশুবা অমদি অরোইবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনকিতা রাইনানা জর্মনিগী সাবিনে লিসিক্কীবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি। ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা ফ্রান্সকী মিরটিল্লে জোর্জেসপু ৭–৬(৮–৬), ৬–১ দা থোইরম্বনি।

## সোটগন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৯ না শাবা টিম লাওথোকখ্রে, নুপাগী কাঙলূপ্তা চেনাই অমদি পৃথীবীরাজনা লুচিংলগনি

*ন্যু দিল্লি, জুন ০৪(এজেন্সি)ঃ*

মথং থাগী ১ দগী ১০ ফাওবা ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি লোনাটোনা চথগদৌরিবা সোটগন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৯ না শাবা টিম ঙসি লাওথোকখ্রে, নুপাগী কাঙলূপ্তা কিনান চেনাই অমদি পৃথীবীরাজ টোন্দাইমাননা লুচিংলগনি।

লোনাটোদা চথগদৌরিবা সোটগন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ওলিম্পক কোটা য়াওরোই। অদুবু য়াম্না ফজবা অমনি ওইরগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী সুট্টর অনী কিনান চেনাই অমদি পৃথীবীরাজ চৎলিবা সিজন অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা লাক্লি। মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা মানাভির সিংহ সান্ধু মশা নারিবা মরম্না মহাক্কী মহুৎতা লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা সুট্টর ভিভান কাপুরনা মহুৎ শিল্লগনি।

নুপাগী স্কিট ইভেন্টতা ওলিম্পিয়ান মাইরাজ অহমদ খান অমদি সিরাজ সৈখ চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগনি। অদুবু এসিয়ান অমদি নেসনেল চেম্পিয়ন অঙ্গাদ ভির সিংহ বাজৱা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা চহী ২০ শুরবা অনান্টজিৎ সিংহ নাকুরানা মহুৎ শিল্লগনি।

ইটালিগী সিটি লোনাটোনা পাঙথোক্কদৌরিবা সোনগন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক খনগৎলবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৯ গী টিম অদুদি–

নুপাঃ–

ত্রেপ ইভেন্টতা কিনান চেনাই, পৃথীবীরাজ টোন্দামাই অমদি ভিভান কাপুরনি। জুনিয়র স্কিট ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা সুট্টরশিং অদুনা বিস্বা কুন্দু, ভোনিস, মেন্দ্রিয়াট্টা অমদি সারদুল ভিহাননি।

নুপাগী স্কিট ইভেন্টতা অনান্টরিজৎ সিংহ নারুকা, মাইরাজ অহমদ খান অমদি সিরাজ সৈখনি। স্কিট জুনিয়রদা গুরনিহাল সিংহ গার্চা, আয়ুস রুদ্রারাজু অমদি আর্জুন থাকুরনি। দবল ত্রেপ ইভেন্টতা অনকুর মিটাল, মোহমদ আসব অমদি অহভার রিজ ভিনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা সুট্টরশিং অদুনা ত্রেপ ইভেন্টতা সাগুন চৌধারি, সিমা টোমর অমদি মনিসা কিরনি। এম ক্যু এসতা রাজেশ্বরী কুমারী অমদি সৌমিয়া গুপ্তনি। জুনিয়র কেটেগোরিদা কিরটি গুপ্ত, আয়েসা খান অমদি প্রিতি রাজাকনি।

স্কিট ইভেন্টতা অরিবা খান, কার্টিকি সিংহ সাকটাৱট অমদি সানিয়া সৈখনি। অদুগা জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা শরুক য়াগদৌরিবীশিং অদুনা চিনা, পারিনাজ ধালিৱাল অমদি দারসনা রাথোরনি।



## কুমজা ২০২৩ এসিয়ান কপ চাইনানা য়ুম্বু ওইরগনি

*বৈজিং, জুন ০৪(এজেন্সি)ঃ*

কুমজা ২০২৩ দা পাঙথোক্কেদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়া কপকী য়ুম্বু চাইনানা ওইরগনি হায়না এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন (এ এফ সি) না ঙসি লাওথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা য়ুম্বু ওইবগী বিদ অসিদা এসিয়াগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদগী য়ুম্বু ওইনবগী লাকখিবশিং অদু চাইনা মায়থিবা পীরম্লগা য়ুম্বু ওইবগী খুদোং চাবা অসি ফংখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০০৪ দা চাইনানা এসিয়া কপ অসিগী য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবদা ফাইনেলদা জপানগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখি।

নৌনা য়ুম্বু ওইরকপা অসি চাইনা লৈবাক্কী ওইনা য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি, ঐখোয়গী ওইনা য়াম্না ইকাই খূম্ননিংঙাইনি, ঐখোয়না মসিগীদমক শেম শারে অমদি মায় পাকপা টুর্নামেন্ট অমা ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না চাইনিজ ফিফা কাউন্সিলগী মেম্বর দু ঝাওকাইনা পেরিসতা পাঙথোকখিবা এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন এক্সত্রাওর্দিনারি কোংগ্রেসতা হায়খি।

মমাঙ থাদা সাউথ কোরিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ওইগনি হায়রম্বনি, থাইলেন্দ অমসুং ইন্দোনেসিয়াসু কুমজা ২০২৩গী ইভেন্ট অসিগী য়ুম্বু ওইবদা থৱায় য়াওরম্বনি অদুবু পূম্নমক থাদোক্নখিবনি।

চাইনাগী ফুটবোলদা ঙাওজবা প্রসিসেন্ট জি জিং পিংনা হায়খিবদা মহাক্ক মঙলানদি মহাক্কী লৈবাক্না নোংমদি ৱার্ল্ড কপ্তা মশক তাকপা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু স্পোর্টসকী অচৌবা ফোর্স অমা ওইহনবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## সেনেগালনা নাইজেরিয়া থোইখ্রে

*লোদজ, জুন ০৪(এজেন্সি)ঃ*

পোলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা য়ু–২০ ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সেনেগালনা নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। মেটচকী ৩৬শুবা মিনটতা সেনেগালগী শান্নরোই সাগনানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমগী অহুমশুবা মিনটতা সেনেগালগী শাননরোই নিয়ানেনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা নাইজেরিয়াগী শান্নরোই মাকানজুওলানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু সেনেগালনা ২–১ দা মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

## লোপেটেগুই সিভিলাদা য়াওখ্রে

*মাদ্রিদ, জুন ০৪(এজেন্সি)ঃ*

জুলেন লোপেটেগুই স্পেনগী ক্লব অমা ওইরিবা সিভিলাগী অনৌবা কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই জুলেন লোপেটেগুই মমাঙদা স্পেনগী নেসনেল ফুটবোল টিম অমদি লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ক্লব ওইরিবা রিয়েল মাদ্রিদকী কোচ ওইরম্বনি।

চহী ৩ গী মমাঙদা ক্লব অসিগী কোচ ওইরম্বা উনাই ইমেরি তোকখ্রবা মতুং অনৌবা কোচ ৬ না শিন্ন–শিন্নদুনা ফম অসি পায়রকখিবনি। লোপেটেগুই কুমজা ২০১৬ য়ুরো কপকী মতুংদা স্পেনগী নেসনেল ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরমখি।

### ক্রোসৱার্দ ১৮০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | A | S | H | | P | A | R | E | | O | C | C | U | R |
| A | C | H | E | | A | B | E | D | | P | L | A | T | E |
| P | R | I | M | E | R | A | T | E | | T | O | R | T | E |
| T | E | N | | L | A | T | I | N | | | S | E | E | S |
| | | | E | L | D | E | R | | P | I | E | R | R | E |
| A | T | E | A | S | E | | E | R | E | C | T | | | |
| L | O | P | S | | | T | E | A | S | E | | M | E | N |
| A | G | I | T | A | T | E | | T | O | R | N | A | D | O |
| S | A | C | | D | E | E | M | S | | | E | M | I | T |
| | | | H | E | N | N | A | | C | R | E | A | T | E |
| A | G | H | A | S | T | | C | R | I | E | R | | | |
| I | R | I | S | | | C | H | I | N | A | | A | S | P |
| D | E | N | S | E | | R | E | V | E | R | E | N | C | E |
| E | A | G | L | E | | I | T | E | M | | S | N | O | W |
| S | T | E | E | L | | B | E | T | A | | P | E | T | S |


**URGENTLY REQUIREMENT**

| Post | Nos | Qualification |
|---|---|---|
| SENIOR MANAGER (M/F) | 4 | BBA/MBA/HR/ARTS STREAM |
| BUSINES DEVELOP MANAGER (M/F) | 4 | ANY GRADUATE |
| SALES DEPARTMENT MANAGER (M/F) | 4 | ANY GRADUATE |
| RECOVERY OFFICER (M/F) | 12 | XII- PASS |
| LOAN OFFICER (M/F) | 15 | XII-PASS |
| ACCOUNTANT (M/F) | 4 | B.COM/EXPERIENCE |
| SALESMAN (M ) | 4 | 10 Pass |

Candidate are requested to submit their application with relevant document on an before 10, June, 2019.

**Sd/- Network Finance Health Care Services**
**RIMS Road Imphal. Contact No : 6009210392**

SL/4882/4&5



**ISOR**
**INTERNATIONAL SCHOOL OF RESOURCES**
(A Co-Educational Hr. Sec. School of Science under COHSEM)
CANCHIPUR

**Admission Open**
**to Class XI Science (2019-20)**

**Facilities & Offers :**

1. Free studentship, Book Grant, Hostel/Bus Fees with a Scholarship of ₹ 10,000/- per Month for Position Holders (1st -25th ) in HSLC Exam. 2019 (For XI & XII Classes).
2. Free Admission, Tuition, Hostel/Bus Fees, Book Grant, For Securing 80% and Above (For XI & XII Classes)
3. Free Admission and Monthly Tuition Fees for Students Securing 75% and Above (for XI Class only).
4. Only Half Admission and Half Tuition Fees for Students Securing 70% and Above (For Class XI only).
5. Only Half Admission fees for Students Securing 60% and Above (For Class XI only).
6. Free Coaching for the 1st 80 Students Admitted to Class XI in the Subject Phy, Chm, Bio & Mth.
7. Free School Bags for Every Admitted Students.

For more details, Please Contact Principal ISOR

SL/4634/ 22th May to 15 days

**ISOR** - Educating the Minds to start-up


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 1093/SDC/IW(C) dt. 3/06/2019

(1) Meitangkeisangbam Biren Singh S/o M. Babu Singh of Kwakeithel Soibam Leikai
(2) Meitangkeisangbam Balendro Singh S/o M. Manglem Singh of Kwakeithel Haorak Chambi

Petitioners

-Vs-

Late Meitangkeisangbam Babu Singh S/o (L) Nilamani Singh of Kwakeithel Haorak Chambi

O.P.Party

**NOTICE**
Imphal, the 3 / 6 / 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Meitangkeisangbam Babu Singh পীং (L) Nilamani Singh সাং Kwakeithel Haorak Chambi মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband গী পাট্টা নম্বর 229 পাট্টা নং 85/2217 দাগ নং 4031 অমসুং এরিয়ানা .0380 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

SL/4886/5

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 1103/SDC/IW(C) dt. 4/06/2019

Khumbongmayum Surjit Singh S/o (L) Kh. Gouradas Singh of Singjamei Chirom Leikai

Petitioner

-Vs-

Late Khumbongmayum Gouradas Singh S/o (L) Kh. Madhumangol Singh of Singjamei Chirom Leikai

O.P.Party

**NOTICE**
Imphal, the 4 / 6 / 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Khumbongmayum Gouradas Singh পীং (L) Kh. Madhumangol Singh সাং Singjamei Chirom Leikai মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 48-Singjamei গী পাট্টা নম্বর 169/1418 পাট্টা নং 48/ 80 দাগ নং 2051/2579 অমসুং এরিয়ানা .0085 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

SL/4884(2)/5

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central